# কুমজা ২০০৭তা নেসনল স্পোর্টস একাদমি হেক হৌদোরকপদগী হৌনা ঐহাক আর্চরিগী কোচ ওইনা অঙাংশিং ট্রেনিং পীজরকখি



এ সোনাচান্দ শর্ম্মা
(আর্চরি, এন আই এস কোচ)

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স মনুংদা নেসনল স্পোর্টস একাদমি থমদুনা চল্লাইরকখিবসি কুমজা ২০০৭তগীনি। হায়রিবা একাদমি অসিদা মরু ওইনা ওলিম্পিক্তা মীৎয়েং থমদুনা শেমগৎলিবসি শুপ্নগী স্পোর্টস ইভেন্ট তরুকখক্তদনি। মশান্নশিং অদুদি আর্চরি, বোক্সিং, জুদো, রেসলিং, টাইক্বান্দো অমসুং ৱেথ লিফটিংনি। শান্নবগা লোয়ননা এদ্যুকেসন্দসু মশক থোকপা মী অমমম ওইননবা নুপামচা অমদি নুপীমচা ময়াম অমা য়োক-থাক্তুনা হোৎনরিবসি অখন্ননবা পান্দম অমগী মখাদনি। একাদমি অসিদা থম্ননবা অঙাং সিলেক্সন তৌবা মতমদসু লৌগদৌরিবা অঙাংশিং অদু আর্চরি করিনো, বোক্সিং করিনো শুকখঙ খঙদ্রিবা ওইনা লৌগদবনি হায়বনচিংবা য়াওরি। তশেংনা, গ্রাস রুটতগী লাইরিক লাইশুগা লোয়ননা স্পোর্টসতসু মীথোই মীহেনবা মশুং মমান্নবগা ইরাই লাইনা থেংনবা ঙম্বা অঙাং পুথোকপা হায়বসিনা একাদমি অসিগী মপুং ওইবা পান্দমনি। নেসনল স্পোর্টস একাদমি অসি ক্লাস ফাইভতগী হৌরগা ক্লাস টুয়েলব ফাওবনি। মসিগী মনুংদা অঙাংশিং পুন্নমক মশামকসু অফবা শান্নরোয় অমা ওইহৌবা, অদুগা লাইরিকসু অফবা মফম অমা কলহৌনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। নেসনল স্পোর্টস একাদমি অসি হেক হৌদোরকপদগী আর্চরিগী কোচ ওইনা অঙাংশিং শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লবা অরিবম সোনাচান্দ শর্ম্মনা একাদমি অসিদগী আর্চর কয়াম পুথোকখ্রবগে হায়বগী মতাংদা অসুম্না পাউদম্বীরকখি, নেসনল স্পোর্টস একাদমি অসিদা কমুজা ২০০৭তগী লৈখিদ্রবা ইচে বি বসন্তিগা লোয়ননা ঐহাক আর্চরি কোচ (এন আই এস দিপ্লোমা) অমা ওইনা অঙাংশিংদা ট্রেনিং পীজরকখি। চাওরক্লা চহী অহুম/মরি রোমদি ইচে বসন্তিগা ঐহাক্না একাদমিগী অঙাংশিং অসি মশা ফিট ওইননবা ইহান হান্না ফিজিকেলসিদা হোৎনজরকখি। শান্নবা করিনো হায়বা খঙদবা অঙাং ঙাক্তনিনা ট্রেনিং মচা মচা তৌবা হৌরকপসিদা ঐখোয়দসু অৱাবা অমা ওইখি। ফিজিকেল্লি মেন্টেল্লি অনীসি বেলেন্স অমদা থম্বা ঙম্ননবা অদোমদা টার্গেট তৌদুনা শেমজরকখি। অঙাং ময়াম খনবসিদা খরা খাংবা ঙমদবশিংসু অদুম য়াওরকখি। অযুক্তা শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা ট্রেনিং তৌবা, অদুদগী হোস্টেলদা অমুক হনখ্রগা ব্রেক ফাস্ত চাবা, স্কুল মতমদা ক্লাস অমুক য়াওরুবা, লঞ্চ ব্রেক্তা চাক-শিং চাবা, ক্লাস লোইরবা মতুংদা অমুক ঙাইহাক পোথারগা নুংথিলগী স্পোর্টসকী সেদ্যুলশিংদু ঙাক্লা চৎননবা হোৎনবা হায়বসি অঙাংশিংদসু খরা ৱানা থোকখি। অদুবু খরা মরিন লৈবা, খাঙবা কনবা অঙাংশিংদি অতেনবা মতমদা ইরাই লাইনা চাশিন্নখি। কুমজা ২০০৭তগীনা কুমজা ২০১৯ ফাওবসিদা নেসনল স্কুল গেমস, নেসনল (সব জুনিয়র)দা মেদল পুরকপা ঙম্বা নুপামচা অমদি নুপীমচা আর্চর ১৫/১৬ হেন্না পুথোকপা ঙমজখ্রে। নেসনল স্পোর্টস একাদমি অসিদগী অফবা আর্চর খরসু 'খেল্লো ইন্দিয়া'গী ওইনা খনগৎলগা সাই ট্রেনিং সেন্টর গুৱাহাটিদা লৈখ্রে। খেল্লো ইন্দিয়াগী খনখ্রবা আর্চরশিং অদুদি ৱাই অনুপামা অমসুং সন্ধ্যারানি কৌই। নুপামচা শান্নরোয় অনী অমর্জিৎ অমসুং নেলসনসু খল্লগা লৈরে, অদুবু চেদি লাক্লি। মখোয় অনীসু অথুবদা থাদোকখ্রগনি।

নেসনল স্পোর্টস একাদমি অসিদগী আর্চরিদা মেদল লৌবা ঙমখ্রবা প্লেয়রশিংদি ও অসোক (নেসনল অমসুং স্কুল গেমস), লুন সিমটি (নেসনল/স্কুল গেমস), দোনিক মারাক (নেসনল/স্কুল গেমস), বিদ্যারোসলিনি (নেসনল স্কুল গেমস), প্রিয়াঙ্কা (নেসনল স্কুল গেমস), পুস্পাবতি (সব জুনিয়র নেসনল মেদলিষ্ট), এম রুপোন দেবী (নেসনল/স্কুল গেমস), জসমিতা (নেসনল স্কুল মেদলিষ্ট), অজয় সি ঐচ (নেসনল পার্টিসিপেন্ট), মোর্নিংসন (নেসনল মেদল ৱিন্নর), কে ঐচ রোনিল (নেসনল মেদল ৱিন্নর), সেঙ্গোইসনা (নেসনল পার্টিসিপেন্ট), অনুপামা (নেসনল/স্কুল গেমস, মেদল ৱিন্নর), সিতল কুমার (নেসনল/স্কুল গেমস, মেদল ৱিন্নর), চিঙলেম্বী (নেসনল/স্কুল গেমস, মেদল ৱিন্নর), দিনজিটিউ (নেসনল/স্কুল গেমস, মেদল ৱিন্নর), রোজিউই (নেসনল/স্কুল গেমস মেদলিষ্ট), সন্ধ্যারানি, অমজি'ৎ, অমন অলি, য়োহেনবা, মালেমঙানবা, নিলসন, টি ঐচ দোনান্দ মখোয়শিং অসিসু নেসনল অমদি স্কুল গেমসতা মেদল লৌরকখ্রবা আর্চর ঙাক্তনি।

নেসনল স্পোর্টস একাদমি অসিদা কোচ অমা ওইনা অহানবা অঙাংশিং তম্বীরকপদা থেংনরকখিবা খুদোংচাদবশিং খরা হায়জরগদি সুকশান শান্নদনা লাকপা অঙাংশিং ঙাক্তনিনা স্পোর্টস হায়বসি করিনো হায়বা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনবদা মতম খরদি চঙখি। মদুগী মথংদা, আর্চরি হায়বা মশান্নসি শান্নবা মতমদা করি করি চঙবগে হায়বদু অমুক খঙহনজখি। টেন কাপ্পা মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি করিনো হায়বনচিংবসি অমুক মথং মথং তাকচরকখি।

মথং মথং ...

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### আর্চরিদা মীৎয়েং অমা





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০২

১) কুমজা ১৯৭০দা বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খরা পীরি। মসিগী মরক্তা শরুক য়াখিদবা অমগী মমিং পীয়ু। ইমোচা, বিধু, বসন্ত কবুই, লুঙ্গাইনি, কোঙাংবি।

২) হন্দক্তা বোলর অসি শীখি অমদি টেষ্ট অমদা ইনিংস অমদা ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯গী জুলায়গী অরোইবা চয়োলদা লৈখিদবা মমিং চৎপা বোলর অতোপ্পা অদু কনানো? মহাক করিগীদমক মমিং চৎখিবনো? পাউখুম অনী পীয়ু?

৩) মহাক কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল ফংখি। চহী ২০গী মতুংদা থৌরম অদুমক্তদা মহাক্না ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমসু ফংখি। মহাক্না শরুক য়াবা থৌরম অদু ওলিম্পিক্তগী লৌথোকখ্রে। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) নাগাওন্দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম অমনা শরুক য়ারুই। মদুদা চীংমী মপাল (৯) অমসুং তম্পাক্তগী অনী (২) য়াওখি। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী অদু কনা কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়া 'এ'না সাউথ অফ্রিকা 'এ'বু অহানবা টেষ্ট মেচতা ৱিকেট ৭তা থোইখ্রে

তিরুবনন্থপুরম, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ

টামিল নাদুগী তিরুবনন্থপুরম সিটিদা লৈবা গ্রিন ফিল্ড ইন্টর্নেসনল ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া 'এ' অমসুং সাউথ অফ্রিকা 'এ'না থা অসিগী ৯দগী শান্নখিবা ওন ওফিসল ওইবা অহানবা টেচ মেচ অদু য়ুম্বু ওইখিবা ইন্দিয়া 'এ'না ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়া 'এ'না ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা সাউথ অফ্রিকা 'এ'গী ইনিংস অদু রন ১৬৪ লৌখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইনিংসতা রন ৩০৩ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অমসুং ওপনরসু ওইখিবা সুবমন গিলনা রন ৯০ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটচমেন অদু ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা বেটচমেনশিংগী মনুংদা জলাল সকসেনানা আউট ওইদনা রন ৬১ লৌবা ঙমখিবা অদু য়াম্না মরু ওইখি। লোয়ননা ওপনর রুতুরাজ, স্রিকর ভারত অমদি সরদুল থাকুল রন ৩০ য়ৌব বেটচমেন ওইখি। সাউথ অফ্রিকা 'এ'না মখোয়গী ২শুবা ইনিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ১৮৬ লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী হেনরিক ক্লাসেসনা রন ৪৮ য়ৈদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ৭ শুবা বেটচমেন ৱিয়ান মুলদর রন ৪৬ লৌখি। অদুগা ৩শুবা বেটচমেন



জুবের হমজারনা রন ৪৪ লৌখিবা অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি। সাউথ অফ্রিকা 'এ'না মখোয়গী ইনিংস অনীগী রন পুনশিল্লগা রন ৩৫০ শুখি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইনিংসতা রন ৩০৩ লৌবা ঙমখিবা অদুনা অনীশুবা ইনিংসতা মায় পাক্কনবা রন ৪৮গী টার্গেট লৈখি। সাউথ অফ্রিকা 'এ' গী বোলরশিংনা ওপনর অমসুং কেপ্টেন ওইখিবা সুবমন গিল রন ৫দা আউট তাহনখি। মখা তাবা বেটচমেন অনীসু রন ইলৌ লৌহন্দনা আউট তাহনখিবদগী সিবম দুবে শান্নবা চঙলকখি। মহাক চঙলকপা মতম অদুদা ইন্দিয়না মায় পাক্কবা রন ১২ খক লৈখিবা অদু থংনা থংননা সিক্স অনী য়ৈরগা লোইশিনখি।

# নোংমৈকাপম স্রিদার্থকী পাঞ্জল ৪না টর্কিগী ক্লব ফেনর্বাসপু ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী টিমনা ৬-৩দা থোইখ্রে



ইষ্টানবুল, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপাগী নেসনল ফুটবোল টিমনা টর্কিদা এক্সপোজর টুরগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর মণিপুর মচা নোংমৈকাপম স্রিদার্থকী পাঞ্জল ৪না টিম অদুবু ৬-৩দা মায় পাকহনখ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা এসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট শরুক য়ানবগী শেম শানবা টিম ওইনা এক্সপোজর টুর কয়া পাঙথোরকপগী মনুং চন্না টর্কিগী টুর অসিসু অমনি।

টর্কিগী টুর অসিনা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমনা অহানবা মেচ ওইনা মফম অদুগী ক্লব কেসিওরেনগুচুবু সেপ্টেম্বর ৯দা পাঞ্জল ৭-০তা চাওনা মায় পাকপা ঙমখ্রবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফেনর্বেস ক্লবকী মায়োক্তগা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা হৌবদগী এটেক চথুবা ঙমখি। টিম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর মচা সুখাম য়োহেনবা মৈতৈনা মেচগী ৩ শুবা মিনটতা ফংখিবা বোল অমা টর্কিগী ক্লব ফেনর্বেসকী গোল তন্না কাউশিনবদা কিপ্পরনা মপুং ফানা ফাবা ঙমহৌদবদগী নাম্থোরকখিবা বোল অদু টিমমেট নোংমৈকাপম স্রিদার্থনা কাউশিন্দুনা ইন্দিয়াগী গোল একাউন্ট অদু ৪ শুবা মিনটতা হাংদোকখি।

থংনবা মিনটতা লৈমপোকপা সিবজিৎনা পীরকপা পাস অমদা স্রিদার্থনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেচকী ১২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্ট্রাইকর সুবোপোলনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা ৩-০দা লৈখি। ফেনর্বেসকী অরদা সাকর্লিনা ১৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা ঙমখি অদুবু ইন্দিয়াগী পোলনা মখা তানা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা লৈরিঙৈ ৩৩ শুবা মিনটতা স্রিদার্থনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চনখি। ৩৭ শুবা মিনটতা ফেনর্বেসকী দোবুকাননা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা হাফ অদু ইন্দিয়ানা ৪-২দা হেনখি।

মেচকী ৫২ শুবা মিনটতা ফনর্বেসকী বুয়ুকোসেনা পাঞ্জল অমগা চনখি। অদুবু নোংমৈকাপম স্রিদার্থনা মহাক্কী মরিশুবা পাঞ্জল অদু ৫৩ শুবা মিনটতা চন্দুনা ইন্দিয়না ৬-৩দা মেচ অদু থোইখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা জেক রিপব্লিকপু মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড কপ বাস্কেটবোলগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে





সাংহাই, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ

চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি ৮দা মমাঙ থাগী ৩১দগী চথরকপা বাস্কেটবোল ৱর্ল্ড কপকী ঙরাং অথেংবদা সাংহাই সিটিদা শান্নখিবা ৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা জেক রিপব্লিকপু পোইন্ট ৮২-৭০দা থোইদুনা লৈবাক অদুগী বাস্কেটবোল পুৱারীদা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টিম অনীমক মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা য়াম্না লম্বা মান্নদুনা পোইন্ট ১৭-১৭তা লৈনখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা ওষ্ট্রেলিয়ানা জেক রিপব্লিকতগী পোইন্ট ৩ হেল্লগা ১৬-১৩দা স্কোর তৌখিবদগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৩৩-৩০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা অহুমশুবা ক্বার্টরদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখি। মখোয়না জেক রিপব্লীকপু পোইন্ট ৩০-১৮দা হেন্দুনা হান্না হেনখিবা পোইন্ট ৩দগী মখা তানা জেক রিপব্লিকপু পোইন্ট ১৫ হেল্লগা লৈখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টরদা জেক রিপব্লিক্কী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পোইন্টশিং অদু ফুগৎনবা হোৎনরকপদা মখোয়না ওষ্ট্রেলিয়াবু পোইন্ট ৩ হেল্লগা ২২-১৯দা স্কোর লৈখি। অদুবু অহুমশুবা ক্বার্টরদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ফজখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৮২-৭০দা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু থোইদুনা হয়েং সেমি ফাইনেলদা স্পেনগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা পোজিসনদগীনা ৮ ফাওবগী মেচতা সর্ভিয়ানা য়ু এস এবু পোইন্ট ৯৪-৮৯দা থোইদুনা য়ু এস এগী টিম ৭ শুবা পোজিসনগীদমক পোলেন্দ অমসুং জেক রিপব্লিক্কী অথোইবগা সেপ্টেম্বর ১৪দা শান্নরগনি।

# ৱর্ল্ড কপ চেছতা ইন্দিয়াগী নিহাল সরিন, পেন্তালা হরিকৃষ্ণ, ভিদিত গুজরাথি অমসুং বি অধিবন্দ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে





খান্টিমান্সিক, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মায়পাক্তুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় নিহাল সারিন, পেন্তালা হরিকৃষ্ণ, ভিদিত গুজরাথি অমসুং বি অধিবন অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং ইন্দিয়াগী নিহাল সারিননা মহাক্কী লম্বা পেরুগী জোর্গি কোরিবু অহানবা গেম থোইদুনা মাংজিল থাখিবনি। অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী অনীশুবা গেমদা মহাক্না অমুক ফজবা হেন্দুনা পেরুগী শান্নরোয় অদুবু মায়থীবা পীদুনা গেম অনীদগী পোইন্ট ২ ফংলগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পেন্তালা হরিকৃষ্ণনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ক্যুবাগী শান্নরোয় য়ুরি গোঞ্জালেজ ভিদালবু অহানবা রাউন্দগী অহানবা গেম মায়পাক্লবা মতুং অনীশুবা গেম অদুসু থোইদুনা পোইন্ট ২-০দা অহানবা রাউন্দ মায়পাক্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ভিদিত গুজরাথিনা অহানবা গেমদা অর্জেন্টিনাগী এলান পিচোটকা দ্রো চৎখ্রবা মতুং ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা গেম অদু থোইবা ঙমদুনা পোইন্ট ১.৫-০.৫দা হেন্দুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ৱর্ল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় বি অধিবননা ভেনিজ্বেলাগী ইদ্বার্দো বোনেলিবু অহানবা গেম থোইরবা মতুং অনীশুবা গেম অদুদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১.৫-০.৫দা হেনখিবদগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা রাউন্দগা অহানবা গেমদা মায়থীখিবা অমসুং দ্রো চৎখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৫ অনীশুবা গেম মায়পাক্তুনা টাইব্রেক রেপিদ গেম শান্নরগনি।

সুরয়া সেখর গঙ্গুলিনা রসিয়াগী ৱ্লাদিমির ফিদোসেবপু থোইখিবনি, অরাভিন চিথম্বরমনা ইংলেন্দগী মাইকেল অদামসকা দ্রো চৎখি। এস এল নরায়ননা স্পেনগী দেবিদ এন্টোনবু থোইবা ঙমখি। অভিজিৎ গুপ্তনা য়ুক্রেনগী এন্টোন কোরোবোবকা দ্রো চৎখি। অদুগা এস পি সেথুরননা ইজরেলগী টামির নবাটিবু থোইবা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোয় সৌরব ভর্ম্মা ভিএটনাম ওপন বেদমিন্টনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

হোচিমিনসিটি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোয় সৌরব ভর্ম্মা ভিএটনামগী সিটি হো চি মিনদা পাঙথোক্লিবা ভিএটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্ম্মনা জপানগী য়ু ইগারাসিবু অকনবা লম্বা অমদা পোইন্ট ২৫-২৩, ২৪-২২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি অঙনবদা সৌরবনা প্রিক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় কোদাই নারাওকাবু ২২-২০, ২২-২০দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদুগী মতুংদা ইগারাসিবু থোইবা ঙমখিবনি। হয়েং সৌরবনা সেমীফাইনেল য়ৌননবগীদমক ভিএটনামগী শান্নরোয় টিয়েন মিন ঙুয়েনগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা প্রিক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় মলেসিয়াগী দারেন লিয়ুবু মায়থীবা পীরম্বা ইন্দিয়াগী সিরিল ভর্ম্মনা চাইনাগী লৈ লান জিগা লম্বা তৌনরকপদা ১২-২১, ১৫-২১দা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ৩শুবা সিদেদ ওইখিবা সুভানকর দে মলেসিয়াগী জিয়া ৱৈ টানগী মখুত্তা অনীশুবা রাউন্দদা ১১-২১, ১৭-২১দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় স্কোটলেন্দগী কর্ষ্টি গিলমোর অহুমশুবা রাউন্দদা জপানগী নাটসুকি ওয়েগী মখুত্তা ১১-২১, ২১-১৫, ১৬-২১দা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে। মহাক্তা নত্তনা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী লি ভোনে সাউথ কোরিয়াগী সিম য়ু জিনগী মখুত্তা ১৩-২১, ১০-২১দা মায়থীহৌখি। জিননা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনাগী ঝাং য়ি মানগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র অরুন জোর্জ অমসুং সনয়াম সুক্লা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র চাইনিজ টাইপৈগী লু চিং য়াও অমদি য়াং পো হানগী মখুত্তা লৈহৌখি।

